www.sanaleibak.in

ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ
SANALEIBAK
PROGRESSIVE JOURNALISM
সনালৈবাক
চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

মণিপুরদা লোগী ৱাংমদা চঙশিল্লকপদগী ফাদুনা ইম্ফালগী সজিৱা জেলদা থল্লকখিবা ম্যান্মার মচা মুস্লিম মরি মিয়াৎকী মতম লোয়রদুনা ম্যান্মার ওথোরিটিদা শিন্নবা পুলিসনা পুবগী শক্তম

অসামগী কাছাড় বোন্তরাপুরদা খুন্দারিবা মণিপুরী মচাশিংদা মীতৈ ইরোল ঈয়েক লোইনসিল্লোল অপূনবা লূপ (মিলাল) গী থৌমী মঙানা মীতৈ ময়েক তম্বীনবগী থৌরম হৌদোকপগী শক্তম

অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুংদা লৈবা অন্দ্রো খুমন লৈকাইদা নৌনা শাবা যুঠ ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসনগী বিল্ডিং ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমারনা শঙ্গাবগী শক্তম

Volume No: 43 Issue: 285 IMPHAL WEDNESDAY 11 SEPTEMBER, 2019 য়ুমশকৈশা, লাংবনগী ১৩ নি পানবা RNI Regd. No. 31350/77 PAGE : 8 Price:Rs 3.60

ৱাখলগী চিঙ্গাক

অমুক্তং মায় পাক্লবগীদমক চাম্মরক ওইরবসু হোৎনবা তাই, কনা অমতা অমুক্তা মায় পাকপা য়াওখিদ্রি

অঈং–অশা

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ৩২.৬৪° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ২৩.২৫° সি
নোংজুগী চাং ঃ ০ এম এম
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং–৪.৫৯
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং–৫.২৩

পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৬৮.২৫
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬১.৫৬

SAMSUNG OFFER
SAMSUNG 32' LED
SAMSUNG REFRIG 2 / 3 STAR 190 LT.
INTEX 7.2 KG WASHER
TATA SKY FREE
₹ 38,000/-
SAMSUNG 40' LED
SAMSUNG REFRIG 2 / 3 STAR 190 LT.
SAMSUNG 7.2/6.5 KG WASHER
FREE ₹2499
₹ 50,990/-
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP. CHINGTAM, OPP. HOTEL AWAID COMTL. SARAJEEVAN ENT. PAONA BZ. IMP.

INTEX
WASHING MACHINE

6.2 KG	₹ 7800
7.2 KG	₹ 9000
8KG	₹ 10200
7KG SPL. GODREJ	₹ 10500
7.5KG SPL. GODREJ	₹ 11500

REFRIGERATOR

181 L GODREJ	₹ 10600
190 LT SAMSUNG	₹ 11400
190 LT 3 STAR Godz	₹ 12800
200 LTR 3 STAR	₹ 13000

INTEX LED (3 YRS WARRANTY)

32' LED (3225) 3YRS	₹ 11000
32' LED (3220) 1YR	₹ 10500
40' LED + TATA SKY	₹ 20500
50' LED + TATA SKY	₹ 30500

VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.

গ্যাসকী পাউ লাঃ ৬ তা

লোইরেদনা

থিগৎপা হৈবা অমত্তা লৈত্রমাল্লে, খিতং তৌবগা সি বি আইদনা তৌ লৈরমাল্লে...
[illegible]



হৈ, মৌসু তোইনা মাঙবা লমনি, মদুগী কেসকসু শিন্নরকপা য়ারি চেকশিল্লুকো...
[illegible]

হেক্তা হায়জিনবা

করমনো

করম থোক্লদোইনো তৌরিসে
চীংমায়না অসুম কোকশিল্লক
পোপীনা অসুম শংজিল্লক
তুরেলনা অসুম কংশিল্লক
পাৎনা অসুম ফুনজিল্লক
লৌবুক্লা লৈক্রক চৎশিল্লক
করম থোক্লদোইনো তৌরিসে
যুগী ঈচাও থোকচিল্লক
হেরোইননা কাঙখোং চাইশিল্লক
টেব্লেটনা ৱাই চাইশিল্লক
জর্দা দুকাননা য়ামশিল্লক
মোবাইলদা হেন্না লাইচুরক
করম থোক্লদোইনো তৌরিসে
বন্দ ব্লোকেটনা কনশিল্লক
ৱাকৎ মীফম্না কুংশিল্লক
রেপ কেসনা য়ামখৎলক
মীহাৎ মীপূন্না তোইশিল্লক
মিনিষ্টরগী ৱাজাওনা হেঞ্জিল্লক
মীয়াম্না হা কার লাউনরক
করম থোক্লদোইনো তৌরিসে

মণিপুরদগী পি জি আই চান্দিগরদা কিদনি য়োনবা কাঙবু পুলিসনা থুগায়খ্রে

কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌখিবা মণিপুরীশিংগী মরী মখোঙ থিগৎকদৌরি

চান্দিগর, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সি)ঃ

চান্দিগরদা থবক পীগনি হায়দুনা মীওই কয়া পুরক্লগা নমথাক তৌদুনা চান্দিগরগী পোষ্ট গ্রেজুয়েট ইন্সটিট্যুট (পি জি আই) হোস্পিটালদা কিদনি লৌথোকপগী থবক থৌরমশিংদা চেন্নবা মণিপুরী মচাশিংগী খূৎপু অমা পুলিসনা থুগায়খ্রে।

এজেন্সিগী পাউ অমনা হায়, পি জি আই হোস্পিটালদা হৌখিবা চহী অনীদা মণিপুরদগী কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌখিবা মীওইশিং অদু কনা–কনানো হায়বা থিদোক্লনবা চান্দিগরগী পুলিসনা মণিপুরীশিংগী কিদনিশিং অদুগী দোন্নর অদু মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিং ওইব্রা হায়বদু ভেরিফাইদ তৌগদৌরি।

হন্দক্তা মণিপুরদগী অবেম কৌবী নুপী অমা পুলিসনা ফাবা ঙমখিবদগী কিদনি পি জি আই চান্দিগরদা মণিপুরদগী কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌবা লাকপশিংদা কিদনি য়োনবা কাঙবু অসিগী লীখুন অসি ফংলকখিবনি। অবেমনা চহী ২৬ খক্তা ঙাইরিবা নুপীমচা অমা থবক পীগনি হায়দুনা পুরক্লগা মহাক্কী কিদনি অদু লৌথোক্লবা থৌরাং তৌখিবনি। অবেম মশামক অসি থা ৮ মুক্কী মমাঙদা শেল লৌরগা কিদনি য়োনখ্রবা মীওইনি হায়রি।

মহাক্লা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট রেদেটকী প্রাইম সস্পেক্ট ওইরিবা থোইবা অমদি সুর্জিৎতগী লুপা লাক্ষ ২.৫০ ফংখি। মদুগী মতুংদা লায়না শেল তানবা য়ানবা থবক অমা ওইনা কিদনি ট্রান্সপ্লান্টকী দোন্নর শিন–লাংবগী থবক অসি তৌগে হায়না খনখিবনি।

মহাক্কী কিদনি দোনেট তৌখ্রবা মতুংদা অবেমগী মশাদা হকচাংগী ওইবা নুংঙাইতবা অমত্তা ফাওখিদে অমদি মশা তিক–তিক লাউনা ফখি। মসিদগী মহাক্লা শেল হেন্না তান্নবা মহাক্লুম্বা দোন্নর ময়াম অমা শীল্লগে হায়না লেপখিবনি হায়না অবেমনা চান্দিগর পুলিসতা ফোঙদোকই হায়না পাউ অসিনা হায়রি।

অবেমনা থোই চনু কৌবী নুপীমচা অমা চান্দিগরদা থবক পীগনি হায়না পুরকখি। অবেম অমদি থোইবনা নুপীমচা অদুগী কিদনি অদু মণিপুরদগী বিমোল কৌবা অমদা ট্রান্সপ্লান্ট তৌনবা থৌরাং তৌখি। মখোয়না থোই অসি বিমোলগী নুপীনি হায়বা শাশিন্নবা অধার কার্ড অমসু শেম–শাখি। থোইবনা বিমোলদগী লুপা লাক্ষ ২ এদভান্স ওইনা লৌরগা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌরবা মতুংদা লুপা লাক্ষ ২.৫০ লৌবা হায়না য়ানখি। চান্দিগরগী সিটি পুলিসনা কিদনি ললোনবা কাঙবু অসি খঙলক্লবা মতুংদা থোইবা সিটি অসি থাদোক্তুনা চেনখ্রে।

পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোক্লি মদুদি চান্দিগর পুলিসনা থোইবু তেক্ত কায়দনা থিনবীরক্লবা থৌরাং তৌখ্রে। মখোয়না মণিপুরদা লাক্লিঙৈদা কিদনি ললোনবগী থবক শিন–লাংলিবা কিংপিনশিংগী লৈফম খঙদোক্লবা হোৎনগদৌরি। লোয়ননা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌখিবশিং অদুগী দোন্নরশিং অদু অশেংবরা নৎত্রগা শেংদবরা হায়বদুসু ভেরিফাইদ তৌগদৌরি।

কিদনি ললোনবা কাঙবু অমদি ভিক্টিম ওইখিবা নুপীমচা অদুবু লৈফম চাফম পীখিবা অরিবম রতন কুমারগী কিদনিসু কুমজা ২০১৩ দা লুপা লাক্ষ ৫ লৌদুনা নুপী অমদা য়োনখ্রবনি। মতম অদুদগী মহাক্লা সিটি অসিদা লৈদুনা সিটি অসিদা মণিপুরদগী লাকপা মীশিং অমদি মহৈরোইশিংগী লৈফম চাফম শীন্দুনা কম্মিসন চাদুনা লৈরক্লিবনি। থোইবা অমদি সুর্জিৎনা কিদনি ললোনবগী থবক চঁখে হায়বসু রতন কুমারনা খঙই হায়রি।

‘ঐখোয়না পি জি আইগী রেকোর্দশিং থিগৎতুনা হান্না কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌখ্রবশিং অদুগী লংলা–লংজিন পুন্নমক খঙদোক্লবা হোৎনগনি’ হায়না যুনিয়ন টেরিটোরি অসিগী সেনিয়ার সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস নিলমবারি জগদলেনা ফোঙদোক্লি।

নাকল অমদনা পি জি আইগী পি আর ও মঞ্জু *মখা লমায় ৩দা...*

সিঙ্গল যুজ প্লাষ্টিক্কী মখল ৬ শীজিন্নদনবা লৈঙাক্কী য়াথং

‘স্কুলশিংদা সিঙ্গল যুজ প্লাষ্টিক শীজিন্নদনবা থৌরাং লৌখৎলু’

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর১০(এসএন এস)ঃ

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিদা সিঙ্গল যুজ প্লাষ্টিক লৈহন্দবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাং অসিবু মপুং ফাহন্নবগী পান্দমদা মণিপুরদা লৈরিবা মহৈশঙশিংগী কেম্পসশিংদা সিঙ্গল যুজ প্লাষ্টিকশিং অমুক হন্না শিজিন্নহন্দনবা থৌরাং পায়খৎনবা মণিপুর লৈঙাক্লা মরী লৈনবা দি সিশিং অমসুং দাইরেক্টর এদুকেসন(এস)তা অইবা চেরোল থাদুনা খঙহনখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নার এদুকেসন (এস), টি রঞ্জিৎনা খুৎয়েক পীদুনা ঙসি ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬ কী দিপ্যুটি কম্মিস্নারশিং অমসুং দাইরেক্টর ওফ এদুকেসন (স্কুল)দা অইবা চেরোল পীদুনা সিঙ্গল যুজ প্লাষ্টিক শীজিন্নবা তোক্লবা থৌরাং পায়খৎনবা খঙহনখ্রে।

কম্মিস্নারনা ইখিবা চেরোল অদুদা পল্লিবা ৱাফমদি লৈবাক অসিগী ৭৩ শুবা নীংতম নুমিৎ থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্তা ইন্দিয়াবু সিঙ্গল যুজ প্লাষ্টিক (অমুক্তং শিজিন্নবা প্লাষ্টিক) শিং শিজিন্নদবা লমদম অমা ওইহল্লসি হায়না পাউজেল পীখিবনি।

অসিগুম্বা প্লাষ্টিক মখল অসিনা ঐখোয়গী অকোয়বগী ফিভমদা চাউনা অকায়বা পীরিবনি। অসিগুম্বা মখলগী প্লাষ্টিক অসি মপুং ওইনা লৈবাক থোনজিনবনচিংবা থবকশিংদা শিজিন্নবনা মসিনা ঈশিং চেহ্থোক চেনশিন অমসুং ইরম নালাশিং ফুন্সজিন্নবগী মরম ওইহল্লি অমসুং মসিগী তুম্বা ঙমদবা অসিনা অকোয়বগী ফিভমদা চাউনা অকায়বা পীরিবনি। লৈবাক অসিবু অসিগুম্বা মখলগী প্লাষ্টিক লৈতবা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা লৈবাক শিনবা থুংনা কেম্পেইন অমা লাক্লিবা ওক্টোবর ২ দগী হৌদুনা চৎখগদৌরি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্ছ দিভলপমেন্টকী দিপার্টমেন্ট ওফ স্কুল এদুকেসন এন্দ লিটরেসিনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা স্কুলশিং অসিগী কেম্পসশিংগী মনুং অমসুং মপান্দা সিঙ্গল যুজ প্লাষ্টিক শিজিন্নদনবা অকনবা পাউতাক পীরক্লে।

মিনিষ্ট্রি অসিনা স্কুল খুদিংমক্তা সেপ্তেম্বর ১১ দগী ওক্টোবর ২ ফাওবা প্লাষ্টিক লৈতবা স্কুল ওইহন্নবা মহৈরোইশিংবু সোসিয়েল সর্ভিস (শ্রমদান) পাঙথোক্লবা খঙহনলক্লে।

মসিগা লোয়ননা মহৈরোইশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংশিংদা সিঙ্গল যুজ প্লাষ্টিকশিং শিজিন্নবা লেপ্তুনা মদুগী মহুৎ শিনবা যাবা চেগী খাউ নৎত্রগা ফিগী খাউ শিজিন্নবগী মতাংদা ৱাখল তাহন্নবগী থৌরমশিং পাঙথোক্লবা খঙহনলক্লি।

লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ১৩ দা স্কুল খুদিংমক্তা লেটর টু বাপু (বাপুদা ইবা চিঠি) হায়বা হিরম অসিদা লেটর রাইটিং কম্পিটিসন *মখা লমায় ৩দা...*

মণিপুরদা অঙাংশিং মশা মথন্তা শিজবগী চাং ৱাংখৎলক্লে: ডা রাজো

...ICIDE PR... NTION DAY

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১০ (এস এন এস)ঃ

নেস্নেল মেন্টেল হেল্থ প্রোগ্রাম, ষ্টেট হেল্থ সোসাইটি, নেস্নেল হেল্থ মিসন মণিপুর অমদি ইন্দিয়া সাইকিয়েট্রিক সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ৱ্রাঞ্চনা পুন্না খুৎশন্দুনা মালেমগী মফম অতৈদা পাঙথোকপগুম ষ্টেট অসিদসু ৱার্কিং টুগেদর টু প্রিভেন্ট সুইসাইদ হায়বা থিমদা ৱার্ল্ড সুইসাইদ প্রিভেন্সন দেগী থৌরম ঙসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা ইন্দিয়া মেডিকেল এসোসিয়েসনগী ওদিটোরিয়ম হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী হেল্থ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডা. রাজো সিংহ, জেনিমসকী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ওইনসু থৌ পুরিবী ইন্দিয়ান সাইকিয়েট্রিক সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ৱ্রাঞ্চকী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. কে শান্তিবালা দেবী, হেল্থ সার্ভিসেস মণিপুরগী এদিস্নেল দাইরেক্তর ডা. পি শ্যামসুন্দর সিংহ অমদি রিমসকী সাইকিয়েট্রিক দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রোফেসর ডা. আর কে লেনিননা মথং শিংনা চীফ গ্বেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গ্বেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিদা চীফ গ্বেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা ডা. কে রাজোনা হায়, সোসিও ইকোনোমিক্কী অহোংবা লাকপা, ফাইনান্সিয়েল প্রোব্লেম অমদি দ্রগ এব্যুসনচিংবা মরম কয়া অসিনা মীওইবদা দিপ্রেসসন নাহন্দুনা সুইসাইদ তৌনিংবগী ৱাখল অমা পোকহল্লি। ইনখৎলক্লিবা অঙাংশিং মশা মথন্তা শিজবগী চাং ৱাংখৎলক্লে। মালেমগী ওইনা সুইসাইদনা মরম ওইদুনা সেকেন্দ ৪০ খুদিংগী মী অমমম শিরি। অসুন্না সুইসাইদ অসিনা মালেমদা মী খ্বায়দগী শিহনবদা ১৩ শুবদা লৈরি।

মহাক্লা হায়, সুইসাইদ এট্টেম্পট তৌরুরবা মীওই অমনা মতুংদসু অদুমাইনা সুইসাইদ তৌনবা হোৎনৈ। মসিদগী ঙাকথোক্লবা মতমগা চানবা এৱার্নেস অমদি কাউন্সেল্লিং পীবা মথৌ তাই। লমদম অসিদগী সুইসাইদ থিংবা নৎত্রগা ঙাকথোকপা হায়বসি হেল্থ দিপার্টমেন্ট খক্তনা ওইথোক্রোই। মসিদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং হায়বদি এদুকেসন, সোসিয়েল ৱেলফেয়ার অমদি পোলিস দিপার্টমেন্টনচিংবা পূন্না হোৎনমীন্নবা অমা চঙই।

দাইরেক্তরনা মখা তারদুনা হায়, ষ্টেট নেস্নেল মেন্টেল হেল্থ প্রোগ্রাম অসি মপুং ফানা পায়খৎলি। সুইসাইদ হায়বসি চাদা ১০০ *মখা লমায় ৩দা...*

লৈঙাক্কী থবক নীংথিনা লৌখিদবদগী নহারোলশিং ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জদা মিং চনবগী চাং অসুম হস্থরে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টকী থবকশিং মতম শাংনা থবক লৌরক্তবদগী থবক ফঙদবা নহারোলশিং ইমপ্লোমেন্ট এক্সচেঞ্জতা মিং চনবগী চাং হস্থরক্লে।

চহী অমগী মমাঙদা দাইরেক্তোরেট ওফ ইমপ্লোমেন্ট এক্সচেঞ্জ মণিপুরদা মিং চল্লকপা মীওই লাক্ষ ৭ হেল্লন্দগী ষ্টেট অসিদা লৈঙাক্কী থবক ফঙদবা লাইরিক হৈরবা নহারোল লাক্ষ ৭ হেন্না লৈরে হায়রম্মী। অদুবু চৎলিবা চহীসিগী জুন থা ফাওবা অসিদা ষ্টেট লৈঙাক্কী থবক থিরিবা নহারোল অসি শুপ্পগী ৩,২৮,৯১৫ দা হস্থরক্লি।

ইমপ্লোইমেন্ট এক্সচেঞ্জতা মিং চল্লবসু লৈঙাক্কী ওইবা থবক চহীগী ওইনা মতম চানা অমত্তা লৌদবনা মরম ওইরগা ঙসিদি লাইরিক লাইশু হৈরবা নহারোলশিংনা ইমপ্লোমেন্ট এক্সচেঞ্জতা মিং চনবগী চাং হস্থরক্লিবা অসিগী অচৌবা মরম ওইরি। হিরম অসিগী মতাংদা দাইরেক্তোরেট ওফ ইমপ্লোমেন্ট মণিপুরগী এদিস্নেল দাইক্তের এন জি ইবোথোইনা পাউ চে অসিদা হায়, লাইরিক লাইশু তম্বা লোইরবা অমদি তম্বিবশিংনা মশা মশাগী ক্বলিফিকেসনগা চান্নবা ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জতা মিং চনশিনবা হায়বসি নহারোলশিংনা থওইনা লৌদবগুম তৌই। হান্না লৈরম্বা মিং চনবগী রেকোর্দতগী হন্দক্ন হস্থরক্লিবা অসিগী মরমদি মতম চানা কার্দ রিন্যু তৌবিদবা অমদি এজ বার ওইরম্বা ময়াম লৌথোকখিবদগী হস্থরকপনি। রেকোর্দতা হস্থরকপা অসিনা থবক থিবা নহারোল হস্থরে অমসুং গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়মেন্ট মশীং হস্থরে হায়বা নত্তে। হস্থরক্লিবা অসিদি ওফিসকী কাংলোন্দা ঙাক্না থবক তৌবিদবশিং লৌথোকখিবদগীনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, কুমজা ১৯৯৭ দগী ঙসি ফাওবা লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী থবক নিংথিনা কৌরক্তবনা ষ্টেট লৈঙাক্কী থবক থিবা অনইমপ্লোয়মেন্ট মশীং য়াম্না লৈরি হায়না লৌই। লৈঙাক্কী থবক খরা হেক হেক কৌরকপা মতমদদি ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জতা মিং চনবা থোমজিন্নরকপা ঙাক্তনি। তোয়না থবক কৌদবসিনা ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জতা মিং চনবদা থৌ শানরক্তবা, মতম চানা রিন্যু তৌদবগী অচৌবা মরম ওইগনি।

মীয়ামগী খুদোংচানবগী লৌখৎপা খোঙথাং অমা ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এক্সচেঞ্জ, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট এক্সচেঞ্জ লোয়ননা মণিপুর যুনির্ভসিটিগী এক্সচেঞ্জকীদি হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দগী ওনলাইনদা এক্সচেঞ্জ মিং চনবা য়াহনখ্রে। খোঙথাং অসি লেমহৌরিবা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু তৌনবা হোৎনরি। দিপার্টমেন্ট ফন্দ ৱাৎপনসু মরম ওইরগা ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জকী মরমদা মীয়ামদা এৱার্নেসনচিংবসু পাঙথোকপা ঙমদবনি। মরম *মখা লমায় ৩দা...*

এস টি দি সিগী খোঙজং শৌগৎকনি

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১০ (এস এন এস)ঃ

মশীং য়ামজদ্রবা য়েলহৌমী ওইরিবা মীতে / মৈতৈবু সেদ্যুল ট্রাইব লিষ্টতা চলহন্দুনা ঙাক্তে ফংহনগদবনি হায়না সেদ্যুল ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুর (এস টি দি সি এম) না তাল্লিবা দিমান্দ অসি তঙাইফদবা অমনি। এস টি দি সি এমনা চঙশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক্তা অপুনবা ঈরৈবাক্কী মহৈরোই শিনপাং লূপ (এ আই এম এস) না শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ক্বাকৈথেলদা লৈবা মহৈরোই লূপ অসিগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা এ আই এম এসগী ভাইস প্রসিদেন্ট সাইখোম প্রেমচান্দনা হায়, মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখ্রবা মতুং দা লমদম অসি মীতোপ মীয়ানচা কয়া লাকশিল্লক্তুনা য়েলহৌমী *লমায় ৩দা...*

অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী লৈকাই খুদিংদা প্রি প্রাইমারি স্কুল শেমগৎকনি: টিঐচ শ্যামকুমার

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর১০(এসএন এস)ঃ

অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী লৈকাই খুদিংমক্তা প্রি–প্রাইমারি স্কুলশিং শেমগত্তুনা অঙাংশিংবু এদুকেসনগী লমদা মখোঙ শেঙনা শেমগৎনবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না হোর্টিকিলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন, মাহুদ অমসুং টাউন প্লানিংগী মিনিষ্টর থৌনাউজম শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

অন্দ্রো খুমন লৈকাইদা নৌনা শাবা যুঠ ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসনগী বিল্ডিং শঙ্গাবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা হায়, ঙসিগী মীরোলনা তুংগী মীরোলগীদমক তৌবিরমগদবা অসি মখোয়বু মপুং ফাবা অমসুং ফিদন্নীংঙাই ওইবা এদুকেসন পীবিদুনা মশানা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা মী অমমম ওইহন্নবা শিনবীবা তঙাইফদে।

মহাক্লা মখা তানা হায়, অন্দ্রোদা লৈরিবা কষ্টুর্বা গান্ধী বালিকা বিদ্যালয় অসি ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈরিবা কে জি বি ভিশিংগী মনুংদা খাইদগী শাংবা অমসুং চাউবা স্কুল অমা ওইগদৌরিবনি।

অন্দ্রোগী মৈ অসি মালেমগী টুরিজমগী মেপতা য়াওরবনি। লৈবাক অমা চাউখৎপা হায়বসি ফুরা দলাল ময়াম শাবদু নত্তে। মহৌশগী খল কায়হন্দনা ঙাক শেন্দুনা উ ৱা মরাং কায়না হৌহন্দুনা লোয়ননা লমদম অদুদা লৈরিবা মীওইশিং অদু মপুং ফাবা মহৈগী মঙাল পীবা ঙম্বা ষ্টেট অদু চাউখৎপা ষ্টেটনি হায়গনি।

অন্দ্রো এ সি অসি চাউখৎপা এ সি অমা ওইহন্দবা যাদে, তুংগী মীরোলদা অফবা মপুং ফাবা এদুকেসনগী মঙাল পীদবা যাদে হায়বগী ৱাখল্লোন্দা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা স্কুলশিংদা অঙম্বা থাক্তা মীৎয়েং থমদুনা চঙশিল্লক্লি।

অন্দ্রো এ সিগী মনুংদা লৈরিবা কে জি বি ভি অসি হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌখ্রে। মসিগা লোয়ননা অন্দ্রো হায়স্কুল, হুইকপ হায়স্কুল, পোইরৌখোঙজিল হায়স্কুল, তোপ চিংথা, লৌপাড়ুমগী প্রি পাইমারি স্কুল, মরিংথেল, লৈতানপেকফম, মোইরাংপুরেলনচিংবা মফমশিং দা লৈরিবা মহৈলোয়শঙশিং অসি মপুং ফানা শেমগত্তুনা এ সি অসিগী মনুংদা লৈরিবা *মখা লমায় ৩দা...*

ইরাবোত শৈথা ঈশৈ অমসুং ময়েক চাংদন্নবগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১০ (এস এন এস)ঃ

ওল ইন্দিয়া যুঠ ফেদরেসন (এ আই ৱাই এফ) না চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপগুম চহী অসিগী ওইনসু লমজিংবা লুচি পুরেল লময়ানবা হিজম ইরাবোতপু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা চৎলিবা থা অসিগী ১৫ দা ইম্ফালগী ইরাবোত ভারনদা পাঙথোক্কনি হায়না কম্মিটিগী কনভেনর কে ভিক্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী ইরাবোত ভারনদা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা কনভেনর কে ভিক্টরনা হায়খি, চহী খুদিংগী ওল ইন্দিয়া যুঠ ফেদরেসননা শীন্দুনা ইরাবোত শৈথাবা ঈশৈ ময়েক চাংদন্নবা অসি অসি পাঙথোক্তুনা লাকপনি। চহী অসিগী ওইনসু সেপ্টেম্বর ১৫ দা ইম্ফালগী ইরাবোত ভারনদা পাঙথোক্লগনি। হায়রিবা ঈশৈ ময়েক চাংদন্নবা অসিবু য়াওবীনিংবা ঈচিন–ইনাওশিংনা ইরাৱত ভারনদা লাকপীদুনা ঈশা–ঈশাগী ঈশৈ ময়েকশিং পীশিনবিরকপা য়ারগনি।

লোয়ননা থা অসিগী ২২ দা জে এন মণিপুর ডান্স একাদেমিদা ষ্টেটকী থাক্তা ইরাবোত শৈথাবা ঈশৈ ময়েক চাংদন্নবা অমসু পাঙথোক্কদৌরি। হায়রিবা চাংদন্নবা অসি ক্লাস ৮ নৎত্রগা চহী ১২ ফাওবগী জুনিয়র কেটেগোরি অমসুং ক্লাস ৮ কী মথক নৎত্রগা চহী ১৩ গী মথক্তা লৈবশিংগী সেনিয়র কেটেগোরি হায়না কেটেগোরি অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা পাঙথোকচগনি। হায়রিবা চাংদন্নবা অসিগী ওইনা শরুক য়ানিংবা *মখা লমায় ৩দা...*

লালহৌবা, সেক্যুরিতি পার্সোনেল শিবগী চাং য়াম্না হস্থরে



ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১০ (এস এন এস)ঃ

মণিপুরদা হৌখিবা চহী খরা অসিদা খুৎলাই পায়বা লূপশিংগী মীওইশিং অমসুং সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিং শিবগী চাং শিংথানিঙাই ওইবা চাংদা হস্থরে। হৌখিবা চহী অমা মখায়গী রেকোর্দ য়েংবদা মণিপুরদা খুৎলাই পায়বা লূপশিংগী মীওই মরি সেক্যুরিতিনা হাৎখি অতোপ্পা ৪ না মখোয় মশেল খুৎ থোক্লবদা শিখি। হায়রিবা মতম অসিদা সেক্যুরিতিগী পার্সোনেল ৭ খুৎলাই পায়বশিংনা কাপ্তুনা হাৎখি।

মণিপুর পুলিসতগী ফংবা ওফিসিয়েল ওইবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না কুমজা ২০১৮ গী জনুৱারি থাদগী হৌরগা চৎলিবা চহী ২০১৯গী জুলাই থা ফাওবগী মনুংদা ষ্টেট অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎলাই পায়বা লূপকী মীওই ৪ হাৎখি। অতোপ্পা মরিনা মখোয় মশেল হাৎনবদা লৈখিদে। সেক্যুরিতি ফোর্সনা হাৎখিবা মরি অসিগী মনুংদা মমাঙগী চহীদা মীওই অনী অমসুং চৎলিবা চহী অসিদা মীওই ২ হাৎখি। মমাঙগী চহীদা লৈখিদবা খুৎলাই পায়বা মীওইশিং অদু অমনা টি পি এল এগী কেদরনি অমনা যু টি এল এনি। চৎলিবা চহী অসিদা লৈখিদবা অনী অদুনা এল টি টিকী কেদর ২ নি। মখোয় মশেল হাৎনবদা লৈখিদবশিং অদুনা এন এস সি এন–আই এম ১, জেদ যু এফ ১ অমসুং কে আর এ ১ নি। লোয়ননা চৎলিবা চহী অসিদা লৈখিদবা কেদর অদুনা যু কে এল এফকী কেদরনি।

মমাঙগী চহীদা লৈখিদবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগী মরক্তা মার্চ থাদা ১৩ শুবা সিখ লাইট ইনফেন্টরিগী পার্সোনেল অমা, ২৮ শুবা রাজপুট রেজিমেন্টকী পার্সোনেল অমা, মে থাদ বি এস এফকী পার্সোনেল ২, জুলাই থাদা ৩১ শুবা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেল ১, সেপ্টেম্বর থাদা ২৯ শুবা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেল ১ অমসুং ওক্টোবর থাদা ১৪৩ শুবা সি আর পি এফকী পার্সোনেল অমা য়াওরি। চৎলিবা চহী *মখা লমায় ৩দা...*

অদোমবু মফম অমদগী মফম অমদা নুঙাইনা, লাইনা অমদি অত্তেনবা মতমদা য়ৌহনবা ঙম্বা
Manipur Cab Services
হৌজিক মনিপুরগী মীয়ামদা খুদোংচাবা পিবা হৌজরে...
খুদোংচাবা অসি লৌবীনবা Telephone গী খুৎথাংদা মখাদা পীজরিবা number অসিদা call তৌবিযু নত্রগা অদোমগী Smartphone দা ঐখোয়গী Android app "Manipur Cab" playstore দগী download তৌবিরগা অদোমগী অপাম্বা গাড়ী তোল্দুনা চৎপিযু
₹ 15 per Km. Normal
₹ 25 per Km. Standard
Picnic, খুঙ্গংগী অমদি অতৈ থৌরমশিংগী ওইনা অমত্তা শেমবা package লৈরি
Toll Free Number
1800-345-3838
GET IT ON Google Play
অদোমবু তেক্তা কায়দনা অমনি মতম চানা য়ৌহনবনা ঐখোয়গী পান্দমনি
Manipur Cab Services
2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal
Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.

সনালৈবাক কী মরুওইবা টেলিফোন নম্বরশিংঃ ঈ–পাউ পীবিনীংবশিংনা 7005576312 দা, এডভর্টাইজমেন্টকীনা 9958998160/8787595553 দা, গ্যাস অমদি ওফিসকীনা 9402247588 দা পাউ পীবিবা য়াগনি